# সেনিয়র এসিয়ন ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা বুধচন্দ্র, অরুনপমা, সনাথোইনা মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী টাইৱান (চাইনিজ টাইপৈ) দা চৎখরিবা ৯ শুবা সেনিয়র এসিয়ন ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়ানা পূন্না শিলভর মেদল মরি অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল মঙা লৌবা ঙমখ্রে।

সেনিয়র এসিয়ন ৱুশু চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী কোচ অমা য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৯ না শরুক য়াখিবদা মণিপুরগী শান্নরোয় এল বুধচন্দ্র অমসুং কে অরুনপমানা শিলভর মেদল লৌখি অদুগা ৱাই সনাথোইনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী এল বুধচন্দ্রনা কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল লৌখি অদুগা কে অরুনপমানা কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল লৌখি। মণিপুরগী ৱাই সনাথোই দেবীনা কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা ৱাই সনাথোই দেবীনা ভিয়েটনামগী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি। শিলভর মেদল ফংখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয় কে অরুনপমা দেবীনা সেমী ফাইনেলদা হোংকোংবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। এল বুধচন্দ্রনা ফাইনেলদা ভিয়েটনামগী মখূৎতা মায়থীদুনা শিলভর মেদল ফংহৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ন টিমগী ওইনা পূন্না শান্নরোয় ২০ অমদি কোচ মরিনা শরুক য়াখিবদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৯ য়াওখিবনি। মদুগী মনুংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা শিলভর মেদল অনী অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদি এল বুধচন্দ্র, এল নাওখোম্বা, কে অরুনপমা, এল সনাথোই, এম পুন্সিবা, ৱাই সনাথোই, এল গ্যাসনাস, এল রঞ্জনা অমদি বিদ্যাশ্বরিনি। লোয়নননা মণিপুরদগী ৱুশুগী কোচ ময়াংলম্বম সচিদানন্দসু শরুক য়ারি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগতা এইম খাবম মায় পাকখ্রে, ক্রুগপু অমসুং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা মপান কাংজৈবুংদা চৎখরকখিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ কী মেচশিং নোংনা মরম ওইদুনা নুমিৎ খরনি লেপ্পুরবা মতুং ঙসিদগী মখা তানা চৎথবা হৌখ্রে।

লমদমসিগী মপাঙ্গল কল্লবা ক্লব ১২ না শরুক য়াদুনা চৎখরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এইম) খাবম মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা ক্রুগাপু নম্বোল অমসুং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা এইম খাবম্না এস এস য়ু শিংজমৈ গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা এইম খাবম পোইন্ট অহুম ফংদুনা লীগ অসিগী লমজেল য়াওখ্রে।

মেচ অদুদা এইম অমসুং এস এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখি। অদুবু নোংচুখিবা মরম্না গ্রাউন্দ য়াম্না নানবদগী শান্নরোয়শিংনা বোল কন্ট্রোল তৌবদা অৱাবা ওইখি।

টিম অনীমক্কী ওইনা ষ্টেট লীগতা ঙসিগী অসিনা অহানবা মেচ ওইখিবা মরম্না শান্নরোয়শিংনা কোওর্দিনেশন ৱাৎপগী মমি চাউনা তাখি। অদুবু শান্নরোয়শিংনা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি।

মেচ অদুগী অহনবা হাফ থারমদাই মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা এইমগী ষ্ট্রাইকর এম প্রিতম্না টিমগী মায় পাকপগী গোল চনখি। গোল অমা শোথরিবা এস এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু গোল চনবা ঙমদবদগী এইমগী মখূৎতা মায়থীখি।

মেচ অদুদা এস এস য়ুগী ঐচ রমানন্দ মেচকী ৮৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ক্রুগপু নম্বোল অমসুং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অঙনবা মতম মঙাশুবা মিনিটতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী ৱাই কম্মান্দোনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা য়াম্না হৈশিংনা কাওদুনা গোল ওন্থোকখি। অদুবু গোল শোথরিবা ক্রুগপু নম্বোলগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ২৬ শুবা মিনিটতা টি ঐচ রতন্না গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

মায়কৈ অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা শান্নরকখি। অদুমকপু টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো ওইখি।

মেচ অদুদা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরোয় এস সঞ্জয় অমসুং ক্রুগপু নম্বোলগী ঐচ পিয়াবুংদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা বুক তৌখি। ক্রুগপু নম্বোলগী শান্নরোয় এ সুরচান্দ মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা অদুগা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরোয় এম অবোই মেচকী ৮৭ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

চৎখরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং ক্লাসা কৈনৌ অনীনা শান্নরগনি।



# এল ঈ সি বাবুপড়ানা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন’স ভেটরান কাং টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দপতা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চৎখরকখিবা অহানবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন’স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা এল ঈ সি বাবুপড়ানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এল ঈ সি বাবুপড়ানা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন পাঞ্জল ১৬-১০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মায়থীহৌরবা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন্না রন্নর্স-অপ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এল ঈ সি বাবুপড়ানা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা এল ঈ সি বাবুপড়াগী ঈ তোমচৌনা চেকফৈ নিপান পানখি। ঈ তোমচৌনা হায়েষ্ট চেকফৈগী মনা ফংখি। লমথা মাপন পানখিবা কাংখূৎ অসিগী শান্নরোয় এস দিলিপনা হায়েষ্ট লমথাগী মনা ফংখি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা এল ঈ সি বাবুপড়াদা ত্রোফি অমসুং লুপা ২৫০০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা সিঙ্গরবোন্না ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২ গী শেলগী মনা ফংখি।

ফাইনেল মেচ লোইশিনবগী থৌরমদা এস তোনুবাবু, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনিতোন অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর ঐচ হেরানা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মনা য়েন্থোকখি।

# ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ

মণিপুর টেবল টেনিস এসোসি-এশনগী মিৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং প্রাইজ মনি টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ১৫ দগী ১৮ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা সিঙ্গলস ইভেন্ট তরা কেদেট বোইজ, কেদেট গার্লস, সব জুনিয়র বোইজ, সব জুনিয়র গার্লস, জুনিয়র বোইজ, জুনিয়র গার্লস, য়ুথ বোইজ, য়ুথ গার্লস অমদি মেন’স ইভেন্ট য়াওরি।

দবলসতা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট তরা, সব জুনিয়র বোইজ, সব জুনিয়র গার্লস, জুনিয়র গার্লস, জুনিয়র বোইজ, য়ুথ গালর্স, য়ুথ বোইজ, মেন’স এন্দ ৱিমেন’ অমদি মিক্স দবলনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা দি এম কোলেজদা লৈবা মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লাক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশনগী সেক্রেটরিগা উনদুনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি।

# ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ চহীসিগী দিসেম্বর ১২ দগী ১৫ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা নেসনল স্পোর্টস মীট ফোর ব্লাইন্দ ২০১৬ গী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা চৎলিবা থা অসিগী ১৪ গী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা তাকয়েলদা লৈবা সাই কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না দ ৱেলফ্যের এসোসিএশন ফোর দ ব্লাইন্দ মণিপুরগী সেক্রেটরি কে ঐচ প্রেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ত্রাইএল অসিদা মরু ওইনা মিটর ১০০, মিটর ২০০, মিটর ৪০০, মিটর ৮০০, মিটর ১৫০০ অমসুং মিটর ৪ X ১০০ কী লমজেল, সোট পুট, লোঙ জম্প, দিস্কস থ্রো, জেবলিন থ্রোনচিংবা পাঙথোক্কনি। ত্রাইএল অসিদা মিৎ উবগী শক্তি ৱাৎলবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

# ৱাসমির ইফম্না এসিয়ন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী জুনিয়র কাঙলুপ্তা অনীশুবা তাখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ ভুটান্দা চৎখরিবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডর ৱাসমির ইফমনা শিলভর মেদল লৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়রগী কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ৱাসমির ইফমনা শিলভর মেদল লৌখি। মণিপুরগী শান্নরোয় রাকেসনা কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংখি।

নুপাগী কেজি ৭০ মথক্কী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী রাকেসনা ৫ শুবা পোজিসন তাখ্রে। কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী এল রোবার্ট মীতৈনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী ৱাসমির ইফম, নেপ্রম রাকেস, থিংবাইজম সরিতা, থিংবাইজম লৈমা কোংব্রাইলাৎপম রেবিতা, লৈশাংথেম রোবার্ট শৌগ্রাকপম বুংচা, নিংথৌজম সুরজ, অরাম্বম বোবিনা শরুক য়ারি।

# ক্লাসা কৈনৌগী টিমদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ

হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চৎখরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়ারিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্লাসা কৈনৌগী শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি ক্লাসা কৈনৌনা শিন্দুনা ক্লব অসিদা পাঙথোকখিবা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্লাসাগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গলসু পীখি। ক্লাসা কৈনৌগী অহানবা মেচ হয়েং ক্রুগপু নম্বোলগা শান্নরগনি।

ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিং অদুদি এল তোম্বা, য়েংখোম প্রেমজিৎ, এন শ্বামি, লৌরেম্বম রবিচন্দ্র, নাওরেম নরেস, এন সুসিলকুমার, এস হেরোজিৎ, লালনৈদিক মার, কে গুনেশ্বর, এল এস হিসুপুলু, পি রোমেস, এল মাইকেল, এন ধনঞ্জয়, এন তোনদোনবা, কে জোলি, অবুজম ননাও, এল বোইনাও, পি অঞ্জাংপু কবুই, সমানন্দ, নবচন্দ্র, লানমিনথাং তৌথাং, প্রিন্স জেমস লিগো অমসুং জেমসনি। ক্লাসা কৈনৌগী টিম কোচনা এম দেবেননি। এসিষ্টেন্ট কোচনা এল শ্যাম, টিম মেনেজরনা এম কেনেদি অদুগা এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা এম ইবুংঙোনি। টিম অসিগী ফিজিওনা এম জয়েন্তনি।

# বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ও অমসুং সুপর দিভিজন লীগতা অমোফা মোইরাং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চৎখরিবা অহুমশুবা এম পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ তা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ও নুংশাই চিরু অমসুং তরুকশুবা দাংমৈ মজাবুই কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা অমোফা মোইরাং মায় পাকখ্রে


ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেচ অদুদা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ও নুংশাই চিরুনা বি এফ এ গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।



মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ওগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মেচকী ২ শুবা মিনিটতা সেংবাইদামনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। গোল শোথরিবা বি এফ এগী ইক্বেলাইজর গোল অদু হেরোনা মেচকী ২০ শুবা মিনিটতা চনখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং এন সি ৱাই দল্লিয়ু ওগী গোল থাংবোইনা মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল মাইকেলনা মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ওগী ৱিল্লিয়ম মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা অমোফা মোইরাংনা জি এম সি ফুবালা গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা অমোফা মোইরাংগী অহানবা গোল ফিমাটেনা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল বিজয়না মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

জি এম সিগী শান্নরোয় মোসোন মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেচতগী তান্থোকখি। টিমদুগী শান্নরোয় রাজেস অমদি অমোফাগী সামসন্দসু রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com